

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, TUESDAY, AUGUST 25, 2015 PAGE 7


*ইন্দিয়াগী অনৌবা রেকোর্দ থমদুনা মিটর ৩০০০গী ষ্টিপলচেস কম্পিটিসনদা ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবী ললিতা বাবর*

*য়ু এ ইদা চয়োল অনিগী প্রিপেরেটরি কেম্পতা শরুক য়ারুনবা মুম্বাই সিটি ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোইশিং লুচিংলিবা সুনিল ছেত্রি*

## জমাইকাগী ফ্রেজরনা মিটর ১০০দা গোল্ড লৌখ্রে মিটর ১০,০০০গীদনা কেনিয়াগী বিভিয়াননা ফংখ্রে



*নুপীগী মিটর ১০,০০০গী চেম্পিয়ন কেনিয়াগী বিভিয়ান অমসুং মিটর ১০০গী চেম্পিয়ন জমাইকাগী ফ্রেজর*

বৈজিং, আগষ্ট ২৪ ঃ

চাইনাগী সহর বৈজিংদা লৈবা বার্দ নেষ্ট ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা এথলেটিক্স ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি পাংথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০০গী লমজেলগী ফাইনেলদা জমাইকাগী মমিং লৈরবা এথলেট সেলি আন ফ্রেজর প্রাইজনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে। অমরোমদা নুপীগী মিটর ১০,০০০গী লমজেলদা কেনিয়াগী বিভিয়ান জেপকেমোই সেরুইয়োটনা গোল্ড লৌখ্রে।

নুপীগী মিটর ১০০গী লমজেলদা য়ু এস এ, নেদরলেন্দস অমসুং জমাইকাগী এথলেটশিংনা অকনবা লম্বা তৌনখিবনি। মদুদা ফ্রেজরনা লমজেল অদু সেকেন্দ ১০.৭৬তা মকোক ওইদুনা গোল্ড মেদল অদু ফংখিবনি। হায়রিবা কম্পিটিসন অসিগী রেকোর্দ ১৯৮৮তা য়ু এস এগী এথলেট ফ্লোরেন্স গ্রিফিট জোইনরনা থমখিবা ১০.৪৯ অদুদি থুগাইবা ঙমখিদে। নেদরলেন্দসকী দাফনে স্কিপরসনা ১০.৮১সা সিলভর অদুগা য়ু এস এগী টৌরি বোৱিনা ১০.৮৬তা ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপীগী মিটর ১০,০০০গী লমজেলদা কেনিয়াগী বিভিয়ান জেপকিমোইনা মিনিট ৩১ঃ৪১.৩১দা গোল্ড ফংলগা ইথিয়োপিয়াগী জিলিটি বুরকানা মিনিট ৩১ঃ৪১.৭৭দা সিলভর অদুগা য়ু এস এগী ইমিলি ইনফেলনা ৩১ঃ৪৩.৪৯দা ব্রোঞ্জ ফংখি।

ইভেন্ট অসিগী ৱার্ল্ড রেকোর্দ অদু চাইনাগী জুংসিয়া ৱাংনা মিনিট ২৯ঃ৩১.৭৮তা ১৯৯৩দা থমখিবনি। মদুগী রেকোর্দ অদু য়ৌগদবা মিনিট ২ রোম চোম্থদুনা ঙসিগী গোল্ড অদু কেনিয়াগী বিভিয়াননা ফংখিবনি।

ঙসি পাংথোকখিবা ত্রিপল জম্প ফাইনেলদা কোলোম্বিয়াগী কেটরিন ইভারগুৱেন মিটর ১৪.৯০ চোংদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। ইজরেলগী হানা য়াজেভা মিনেনকোনা মিটর ১৪.৭৮তা সিলভর লৌরগা কজাকস্থানগী পোলগা রিপাগোভানা মিটর ১৪.৭৭দা ব্রোঞ্জ লৌখি।

ইভেন্ট অসিগী ৱার্ল্ড রেকোর্দ অদু য়ুক্রেনগী ইনেসা ক্রাভেটসনা ১৯৯৫তা মিটর ১৫.৫০ চোংদুনা থমখিবনি। চহি ১০ শুরবা রেকোর্দ অদু কোলোম্বীয়াগী কেত্রিননা ঙসি য়ৌগদবা সেন্টিমিটর ৬০মুক ৱাৎলগা লৈহৌখি।

নুপাগী পোল ভোল্টতা কানাদাগী স্বানাসে বারবরনা মিটর ৫.৯ চোংদুনা গোল্ড মেদল ফংখি। চপ মান্নবা অৱাংবা অদু চোংখ্রবসু এটেম মশিং য়ামখিবা জর্মনিগী রফেল মার্সেল হোলদেপেনা সিলভর লৌরগা মিটর ৫.৮ চোংখিবা ফ্রান্সকী রেনো লাবিলেনিনা ব্রোঞ্জ ফংখি। পনবা য়াবদি লাবিলেনিনা মমাং চহিগী ফেব্রুৱারি থাদা ইভেন্ট অসি মিটর ৬.১৬ চোংদুনা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙম্লিবনি।

নুপাগী ঙসি পাংথোকখিবা মিটর ৩০০০গী ষ্টিপলচেসতা কেনিয়াগী এথলেট ৩না মেদল ৩ম্মক লৌখ্রে। গোল্ড মেদল অদু লৈবাক অদুগী ইজেকিল কেম্বোইনা মিনিট ৮ঃ১১.২৮তা ফংখিবনি। সিলভর অদুনা লৈবাক অদুমক্কী অতোপ্পা এথলেট কোন্সেস্লস কিপ্রুত্রোনা মিনিট ৮ঃ১২.৩৮তা ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা কেনিয়াগী ব্রিমিন কিপ্রোপ কিপ্রুটোনা মিনিট ৮ঃ১২.৫৪দা লৌখিবনি।

ঙরাং অথেংবদা পাংথোকখিবা নুপাগী মিটর ১০০গী লমজেলদা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙম্লিবা জমাইকাগী উসেন বোল্টনা সেকেন্দ ৯.৭৯দা গোল্ড মেদল ফংখি। সিলভর অদুনা মহাক্কী কনবা লম্বা ওইখিবা য়ু এস কী জষ্টিন গাটলিননা সেকেন্দ ৯.৮০দা ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ অদুসু য়ু এসকী ত্রেভোন ব্রোমেলনা সেকেন্দ ৯.৯২দা লৌখি।

## রোজর ফেদরর অমসুং সেরিনা ৱিলিয়মসনা ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউদর্ন ওপন টাইটল লৌখ্রে



*নুপাগী টাইটল ফংলবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমসুং নুপীগী চেম্পিয়ন ওইরিবী সেরিনা ৱিলিয়মস*

চিনচিনাটি, আগষ্ট ২৪ ঃ

নুপাগী টেন্নিসকী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোই ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিসপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীদুনা স্বিটজরলেন্দ রোজর ফেদররনা য়ু এসকী ওহাইও রাজ্যাদা লৈবা চিনচিনাটিদা পাংথোক্লিবা ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউদর্ন ওপন এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গল চেম্পিয়ন ওইখ্রে। নুপীগী কাংলুপ্তা লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোই ৱার্ল্ড নম্বর ৱান সেরিনা ৱিলিয়মসনা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু থোইরগা টাইটল লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ঙরাং ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিস অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী অনিশুবা সিদেদ শান্নরোই স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা অহানবা সেটতা অমনা অমগী মায়কৈদা খুদুম চনশিন্নবা ঙন্নদবদগী টাই ব্রেকতা সেট অদুগী ফল য়েংনবা তাখি।

টাই ব্রেক অদুদা টুর্নামেন্ট অসি মমাংদা ৭লক টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা রোজর ফেদররনা জোকোবিসকী মায়কৈদগী শোইরকপা মশান্না খরগী খুদোংচাবা লৌদুনা টাই ব্রেক অদু ৭–১দা থোইখি।

অনিশুবা সেটতা ফেদররনা জোকোবিসকী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌদুনা গেম ৩–০দা মাংজিল থাখি। মখা তাবা গেমশিং ব্রেক লৈখিদ্রবসু হান্নগী অদুনা মতেং ওইদুনা ফেদররনা ৬–৩দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখিবনি।

নুপীগী ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান সেরিনা ৱিলিয়মসনা রোমানিয়াগী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই সাইমোনা হালেপকা লম্বা তৌরকপদা অহানবা সেট অদুদা ৬–৩দা থোইদুনা মাংজিল থাখি। অদুবু অনিশুবা সেটতা সাইমোনা কন্না হোৎনরক্তুনা টাই ব্রেক পুরকপা ঙম্লবসু সেরিনানা ৭–৫তা থোইদুনা নুপীগী টাইটল লৌখি। হন্দক্কী অসি থারগা মহাক্না টাইটল অসি লৌবা অনিরক শুরে।

নুপাগী দবলসতা পোলেন্দগী এম মাটকোস্কি অমসুং সর্ভিয়াগী জি মোনজিকনা চেম্পিয়ন ওইখি। অদুগা নুপীগী দবলস ফাইনেলদনা চাইনিজ টাইপৈগী চান হাও চিং অমসুং চান য়ুঝাননা টাইটল লৌখি।

## ইন্দিয়াগী ভাম্ব্রী দবলসকী রন্নর্স অপ তাহৌরে

বেনকুভর, আগষ্ট ২৩ ঃ

কানাদাগী সহর বেনকুভরদা পাংথোক্লিবা য়ু এস দোল্লর ১০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা ওদুলুম ব্রাউন্দ ভানোপেন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসতা ঙরাং ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রী অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী এম ভেনস ফাইনেলদা লৈহৌদুনা রন্নর্স অপ তাখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী দবলস ফাইনেল অদুদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ জুরা ওইখিবা দেনমার্ককী এফ নিলসন অমসুং ফিলিপিন্সকী টি হুয়েনা লৌখি।

ফাইনেল মেটচ অদু নাকল অনিমক্তগী অকনবা লম্বা চত্থনরক্তুনা অহানবা সেট টাই ব্রেকতা নেলসন অমসুং হুয়েনা ৭–৪দা থোইখি। অনিশুবা সেটতনা ভাম্ব্রী অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী এম ভেনসনা টাই ব্রেক অদু ৭–৩দা থোইদুনা ৩শুবা অমসুং দিসাইদিং সুপর টাই ব্রেকতা ফিলিপিন্স অমসুং দেনমার্ককী হুয়ে অমদি নেলসননা ১০–৫তা থোইদুনা নুপাগী দলবসকী টাইটল অদু লৌখিবনি। পনবা য়াই, ভাম্ব্রী নুপাগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেল ফাওবা য়ৌরম্লগা ফাইনেল য়ৌখিদবনি।

## মেঞ্চেষ্টর সিটিনা এভর্টন থোইদুনা ই পি এলগী পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাদুনা চৎলি

লন্দন, আগষ্ট ২৪ ঃ



*এভর্টনগী শান্নরোই অমনা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোই অনি লাম্থোক্তুনা বোল পুনবা হোৎনবা*

ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং শান্নখিবা ৩শুবা রাউন্দ মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা এভর্টনবু পাঞ্জল ২–০দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ ৩দা অহুম্মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট টেবলদা ৯ ফংদুনা মাংজিল থাদুনা চৎলি।

মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী অনিশুবা হাফ্তা অলেকজেন্দর কোলারোপ অমসুং সামির নাশ্রিনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা এভর্টনবু মায়থিবা পীখিবনি। ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মমাংগী চেম্পিয়ন চেলসিনা ৱেষ্ট ব্রোমৱিস অলবিয়োনবু পাঞ্জল ৩–২দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ ৩ শান্নবদা অমা মায় পাক্লগা অমা ড্রো চৎলগা পোইন্ট ৪ ফংবগা লোয়ননা ৯শুবা পোজিসনদা লৈরি।

চেলসিগী মায়কৈদগী হান্না স্পেনগী বর্সেলোনাদা শান্নরম্বা পেদ্রো রোদ্রিগেসনা খ্বাইদগী মরু ওইবা পাঞ্জল চন্দুনা শান্নরোই ১০দা ঙাইখিবা চেলসিবু মায় পাকহনখিবনি। অতোপ্পা মেটচতনা সাউথমটন অমসুং ৱাটফোর্দকী মেটচ পাঞ্জল চন্নদনা ড্রো চৎখি।

### লিগে ৱান

ফ্রান্সকী লিগে ৱান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মারসিয়েলনা ত্রোয়েজপু পাঞ্জল ৬–০দা মায়থিবা পীখি। লোয়ননা ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা বোরদিও অমসুং রিলে পাঞ্জল চন্নদনা ড্রো চৎখি। অদুগা সেন্ট ইটেনিনা লোরিয়েন্টপু পাঞ্জল ১–০দা থোইখি।

### সেরি এ

ইটালিগী সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ ৭কী মনুংদা মমিং লৈরবা ক্লব অমা ওইরিবা এসি মিলানবু ফিয়োরেন্টিনানা পাঞ্জল ২–০দা মায়থিবা পীখি। সামদোরিয়ানা কারপিবু পাঞ্জল ৫–২দা মায়থিবা পীখি।

ইন্টর অমসুং অটলান্তাগা শান্নবদা ইন্টরনা ১–০দা থোইখি। পালরমোনা জিনোৱাবু ১–০দা থোইখি। এম্পোলিবু সিভোভরোনানা ৩–১দা মায়থিবা পীখি। মমাংগী চেম্পিয়ন ওইবা টিম জুবেন্টসপু উদিনেজনা ১–০দা মায়থিবা পীখি। নাপোলিবু সাসুলোনা ২–১দা অদুগা ফোসিনোনেবু টোরিনোনা ১–০দা থোইখি।

### লা লিগা

স্পেনিস ফুটবোল লীগ লা লিগাদা মমাংগী চেম্পিয়ন বর্সেলোনানা এথলেটিক বিলবাউবু ১–০দা মায়থিবা পীখি। মমাংগী চহিগী অনিশুবা পোজিসন তাখিবা রিয়েল মাদ্রিদ টিম স্পোর্টিং গিজোনগা শান্নবদা পাঞ্জল চন্নদনা ড্রো চৎখি।

ভিলারিয়েল বেটিস অনিগী মেটচ অদু পাঞ্জল অমমম চন্নরগা ড্রো চৎখি। লোয়ননা লিভান্টে ক্লবপু সেলতা ভিগোনা ২–১দা মায়থিবা পীখি।

### বুন্দেসলিগা

জর্মনিগী ফুটবোল লীগ বুন্দেসলিগাদা ঙরাং বোরুসিয়া দোর্টমুনা ইঙ্গোলসষ্টেটপু পাঞ্জল ৪–০দা মায়থিবা পীখি। অদুগা বোরুসিয়া মোঞ্চেনগ্লবাকপু মেঞ্জ ০৫ ক্লবনা পাঞ্জল ২–১দা মায়থিবা পীখি।

## ইন্দিয়াগী অনন্দ অহানবা রাউন্দদা মায়থিবা নংখ্রে



সেন্ট লুই, আগষ্ট ২৪ ঃ

য়ু এস এগী রাজ্য মিজোরিদা লৈবা সেন্ট লুইদা চত্থরিবা সিনকিফিল্ড কপ চেছ টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৫রক ওইবা ঙম্লম্লবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিশ্বনাথন অনন্দ টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক য়ু এস এগী হিকারু নকামুরাগী মখুৎতা মায়থিবা নংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মালেমগী মকোক থোংবা চেছ শান্নরোইশিংনা ১০গী মনুংদা শরুক য়াদুনা শান্নবা য়াম্না মগুন লৈবা টুর্নামেন্ট অমনি। অহানবা রাউন্দ অদুদা অনন্দবু নকামুরানা ৪৩শুবা মুভতা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা রাউন্দ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা নোর্ৱেগী মেগনস কার্লসনবু বলগেরিয়াগী বেসিলিন টোপালোপনা মায়থিবা পীখি। অহানবা রাউন্দদা মায় পাকখ্রবা অতোপ্পা শান্নরোইশিং অদুদি– নেদর্লেন্সকী অনিস গীরি, আরমেনিয়াগী রিভোন অরোনিয়ন অমসুং ফ্রান্সকী মেগসিম ভাসিয়র লাগ্রেবনি।

## আই লীগ অমসুং আই এস এল পুনশিনবনা অফবা ওইগনি

মুম্বাই, আগষ্ট ২৪ ঃ

মপাল লমগী মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোই কয়া য়াওবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ অমসুং ইন্দিয়াগী হান্নদগী পাংথোক্তুনা লাক্লিবা আই লীগ অনি পুনশিন্দুনা চহি চুপ্পা টিম ১৬তগী ১৮ ফাওবনা শরুক য়াদুনা শান্নবা য়াবগী ৱাফম অসিনা ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা য়াম্না অফবা অমা ওইরগনি হায়না ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম কেপ্টেন ওইরিবা সুনিল ছেত্রিনা ফোংদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মহাক্না ওল ইন্দিয়াগী ফুটবোল ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কুসল দাসনা থাংজ নুমিৎতা লীগ অনি অসি মথং চহি ৩ অসিদা পুনশিনবা য়াবগী তাঞ্জা অমা লৈরে হায়না ফোংদোকখিবা অদুগী মতুংদা ঙসি মুম্বাইদা মফম অদুগী ক্লব মুম্বাই সিটিগী ফুরিৎ লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অমদা ফোংদোকখিবনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা ইন্টর্নেসনেল গোল ৫০ চন্দুনা রেকোর্দ থম্বা ঙম্লিবা ছেত্রিনা ফোংদোকখিবদা লীগ অনি অসি পুনশিন্দুনা লৈবাক অসিদা লীগ অমখক লৈহনবনা তুংদা লাক্কদৌরিবা শান্নরোইশিংগী মায়কৈদা য়াম্না চাওনা কান্নবা পীবা ঙমগনি হায়খি। ইন্দিয়াগী ফুটবোল অসি অচুম্বা মায়কৈদদি চংশিল্লি অদুবু খোঙজেল য়াংবগী তঙাইফদবদি লৈরি হায়খি।

## অনিশুবা টেষ্ট ইন্দিয়ানা রন ২৭৮দা থোইখ্রে, মেটচ অমমম মান্নখ্রে

কোলোম্বো, আগষ্ট ২৪ ঃ

শ্রিলঙ্কাদা ইন্দিয়ানা শান্নরিবা ক্রিকেট টুরগী মনুং চনবা অনিশুবা টেষ্ট মেটচ ঙসি অরোইবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা শ্রিলঙ্কাবু রন ২৭৮দা মায়থিবা পীদুনা টেষ্ট মেটচ ৩গী সেরিজ অসি মেটচ অমমম মান্নবা ঙমখ্রে।

শ্রিলঙ্কানা মখোয়গী অনিশুবা ইন্নিংসতা মায় পাক্লনবা রন ২১৩ দরকার ওইখিবনি। অদুবু মখোয়গী বেটচমেন ১০মক শুপ্নগী রন ১৩৪ খক লৌরগা আউট ওইখিবদগী মেটচ অদু মখোয় রন ২৭৮দা মায়থিখিবনি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী স্পিন্নর রবিন্দ্রন অস্বিননা শ্রিলঙ্কাগী অনিশুবা ইন্নিংস অদুদা বেটচমেন ৫ আউট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা পোর্ফোমেন্স ওইখি। শ্রিলঙ্কাগী বেটচমেন অমত্তা রন ৫০ য়ৌবা ঙমদনা আউট ওইখিবনি।

টেষ্ট মেটচ অসিগী অহৌবা নুমিৎ থা অসিগী ২০দা টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকপদা অহানবা ইন্নিংস অদুদা রন ৩৮৩ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা শ্রিলঙ্কানা অহানবা ইন্নিংসতা রন ৩০৬ লৌখি। ইন্দিয়ানা মখোয়গী অনিশুবা ইন্নিংস অদু ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৩২৫দা দিক্লেয়র তৌখিবনি। মরম অদুনা শ্রিলঙ্কানা মখোয়গী অনিশুবা ইন্নিংসতা মায় পাক্লনবা রন ৪১৩ দরকার ওইখি।

ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্নিংসতা লোকেস রাহুলনা রন ১০৮ লৌখি। অদুগা অনিশুবা ইন্নিংসতা অজিনকিয়া রহানেনা রন ১২৬ লৌখি।

শ্রিলঙ্কাগী মায়কৈদগী কেপ্টেন এঞ্জোলো মেথিয়ুসনা রন ১০২ লৌবা ঙমখি। ঙসি ইন্দিয়াগী স্পিন্নর অস্বিন শ্রিলঙ্কাগী মকোক থোংবা বেটচমেন ৩ অমদি অতোপ্পা বেটচমেন অনি আউট তাহন্দুনা মেটচ অদু মায় পাকপগী অচৌবা থৌদাং লৌখি।


## JOB VACANCY

Regd. No. 1400621-03550 pt - 1 (Micro) Govt. of Manipur

| Sl. No | NAME OF POST | POST | QUAL | SALARY |
|---|---|---|---|---|
| 1. | DIRECT SELECTION OF AIRPORT VACANCY FOR DOMESTIC AND INTERNATIONAL | | | |
| i) | Ground Staff, Air Ticketing, Loader, Cabin Crew, Cargo Driver, Flight Cleaner. | 30 | VIII-XII | 12000-25000 |
| 2. | BANKING STAFF FOR NEWLY OPENING DISTRICT WISE IN MANIPUR (6 months training with salary) | | | |
| i) | Account Opening, Sitting Staff, Loan Recovery, Mobile Banking, Gold Loan, Credit Card Officer, ATM Security, Bank Security | 30 | X-Grad | 18000-26000 |
| 3. | DIRECT JOINT, SEMI GOVT/MICRO FINANCE/OTHER (100% Success) | | | |
| i) | Choukidar, Helper, Grasscutter, Cook, Mali, Sweeper, Peon, Driver, Security, Gunman | 20 | VIII-Above | 5500-8500 |
| 4. | Pvt. OFFICE, HOTEL, HOSPITAL, MNC-COMPANY STAFF IN IMPHAL | | | |
| i) | Reception, Asst. Manager, Data Entry, Asst. Manager, Computer Operator, B.P.O, GNM/ANM, X-Ray, R.O. Lab, Technician, Mall Reception | 38 | VIII-XII | 4500-7500 |
| 5. | DIRECT JOIN FOR NORTH EAST (fooding-loading fee) | | | |
| i) | Staff Nurse, ANM, JNM | 10 | X-Grad. | 17000-25000 |
| | ইশাগী অহাংবা মতমদা Extra-income তান্নীংবা, Student, Housewife, Un-employed, Employed শিংদগী দরখাষ্ট কৌজরি, Qualification : VIII - above, Income : 10,000/- – 25,000/- per month | | | |

Interview : 28th August, 2015
Last Date : 27th August, 2015
# 9856470948, 8014741601, 8731061709

Sd/-
Rising Star Collaboration
Kwakeithel Thoudabhabok,
Near Akash Institute/New Checkon
Singh Publicity building, 4th Floor

CREATIVE WORLD
BUSINESS & COMPUTER ACADEMY
ADMISSIONS OPEN
CAREER COURSES IN COMPUTER
Certificate Course
From DREAMS To REALITY



+91 - 897 - 451 - 466 - 1 & 879 - 427 - 847 - 8
BASIC COMPUTER (abc of Computer & ENTERNET)
MS. OFFICES
ANIMATION ENGINEERING
3D MODELLING - MAYA/3Ds MAX
FLASH ANIMATION
WEB DESIGNING
GRAPHIC DESIGN
VIDEO EDITING
FINE ART , DTP
Meitei Mayek Tutorials
Children & 40year up 20% off
www.facebook.com/creativeworld imphal
DEVSISU BLDG Uripok, Haobam Dewan leikai (inside Ground floor), Near Oil pump, URIPOK KANGCHUP ROAD, IMPHAL- 1

ꯄꯥꯏꯂꯁ/Piles ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খুদিংমকঃ– নুংশং পেরে, কক্লাই, পোম্বা–তঙবা, অমাংথোং–নাম্থবা, চেকখাইবা, হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, মরেং–মরেং চৎপা, চক–চক থিনবা, তিল লৈবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ তাবা, ঈ–অমাংবদা তৈরকপা, ঈ–দ্রোপ–দ্রোপ তাবা, ঈ–পেচাগরিদৌনা কাপ্পা, চনপ–চনপ লাওবা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইম্থরকপা, পিক্না মরি অমা ওইনা ইম্থরকপা, চিকপা–শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা–ফ্রা লাওনা ইম্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খুৎনা ইনশিনবা চংদ্রবা (পদ্রাক পদ্রাক তারবা), লিভর চাওথোকপা অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - ***Naorem Ibomcha Meitei***
Heingang Awang Leikai, Saya Club,
Imphal East-795002, P.O. Mantripukhri, P.S. - Heingang P/S
SL/C/30 Days Contact No. 8729960411, 8014023792